মতম মতমগী ৱাফম

মণিপুরী খোরিরোলদা লাইয়িংথৌ কৌব্রু

মণিপুরদা পুন্না খুন্নদমিন্নরিবা চীংমী-তম্মী অনীমক্কী মীওই ওইরিবা ঐখোয়সি লাইওইখ্রবা ইপা- ইপুবু লাৎচবা মীওইশিংনি। লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুবু, অপোকপা, ইবুধৌ-ইবেনধৌ, লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী হায়না কোলোয়নদুনা লাৎনরকই, নীঙনরকই। মচা-মশু ওইবা ঐখোয়বু মখোয়না ঙাকপী শেনবীরি হায়নসু লৌনৈ। মাইকৈ ঙাকপা লাইয়াম অমা থাজনবগী মতুং ইন্না অঙনবা মতমদগী লমদমসিদা লৈরকই। মাইকৈ ঙাকপা লাইয়ামশিং অসিগী মরক্তা লাইয়িংথৌ কৌব্রুসু অমনি, মহাকপু কুম্মদম লাইনি হায়না য়াম্না লুনা অমদি কিজনা ঙসি ফাওবা লৌনৈ। তম্পাক্কী লমদা খুন্দারিবা মণিপুরী কাংলুপশিংগী মনুংদা- ফয়েং সেকমাই, খুরুখুল অমদি লৈত্রমনচিংবশিংনা কুম খূদিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা খুলশিংদা খুবম য়াদুনা লাইয়িংথৌ কৌব্রুবু হারাউবগী থৌরম পাংথোক্তুনা ইরাৎনরি।

লৈশেম নোংশেমঙৈদগী লোয়নরকপা লাইশিংনা মাগী মাগী লাংওন মপোক মথং মথং ওল্লকপা চৎথরকপবু লাইচৎ হায়না খঙনৈ। লাইচৎ মান্নবা কাংবুবুনা ‘লাইচৎ তিন্নবা’ হায়নৈ। মণিপুরী উমংলাইশিং অসিগী লাইচৎকী ওইবা পরম অমা তোঙান্ন লৈজরকই। লাইচৎ তিন্নবশিংদি হৈকৎ-লৈকৎ, শক-শোনবা মান্নৈ। লাইসিংগী ওইবা লাইচৎ অসি মপুংদা লাই নিপা অহুম, নুপী অহুম লৈ। লাই নিপাশিং অদুদি- ১। লায়িংথৌ অসীবা। লাইয়িংথৌ কোঞ্জিল তুথোকপা অমদি ৩। অতিয়া সিদবা অসিনি। লাই নুপীদনা ১। লৈমরেল লাইরেম্বী ২। লৈমরেল নোংথাং লৈমা অমদি লাইখুরেম্বীনি। লাইয়িংথৌ অহুম অসিগী মনুংদা কৌবু অসি, চীংঙু খোইয়ূম অতিয়া শিদবগী লাইওল লাইচৎনি। লৈশেম নোংশেমলকপদগী য়াওরক্লবা নমু তাইবং মীওইববু চাক্কোন নাওকোনবিগে, থৌজান লনকুবীগে হায়বগীবু অৰাংবা কোরৌ নোংদোল লাইরৈপাক্তগী খোঙগুম্বীরকপা লাইনিংথৌনি হায়না মহাকপু নীংনৈ, লাৎনৈ। মহাকপু-

“অৰাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা, চারীক মপান থাবীবা, নোংখ্রৈ মউ লিংবীবা, শামু অঙৌবা তোংলকপা, ইঙা কুমদম্বা, ইঙেল কুমখাইবা, উন তরুক ঈরিবা, ৱাউ তরুক ঈথাবা ..।” অসি হায়না মহাকপু শৈথাদুনা শৈশক্লৈ, অতোপ্পা মিঙ্খৈ শৈথাবা মীঙ্খৈ অমদনা-

“লাইনিংথৌ লীথিৎ কোলসুং কোনমাখাপা, লীরেল কোলসু কোলমা তৈবা লাইনিংথৌ চীংঙু লাইয়াম পূন্নমক্কী পূনফম ওইরিবা, চীঙলাই তম্লাই হংকোক নালিল পূন্নমক্লসু নফমদা য়ৌরক্তুনা পূল্লিবা, থৰাই পানবশিংগী থৰায় য়াইবিরেলনা ননাক্তা য়ৌরকফম ওইবা, শিগনি নাগনি হায়বা তাকপীবা লাই পূন্নমক্কী নিংথৌ ওইবা লাইনিংথৌ।”

অৰাং মাইকৈ অসিবু ঙাক্লি হায়বগী অৰাং কৌব্রু অসুপ্পা শৈথানৈ। মতাং অসিদা ৱাফম অমা নৈননিংঙাই ওই মদুদি কৌব্রু হায়রিবা অসি লাইনিংথৌ অসিগী অশেংবা মিং নত্তে। ‘লয়খালোন নোংলোন’ লাইরিক্তা অসুম্না হায়রি-

“কৌব্রু কৌবদি চীংমিংনে লাইমিংদি কৌরেংঙং কৌবনে।” ৱাফম অসিগী মতুংইন্নদি লাইয়িংথৌ কৌব্রুনা কৌরৌ নোংদোল থক্তগী মালেম খোঙ্গুমলকপদা অহানবা লৈখিবা মফমদি কৌব্রু চীংদোন্নি। কৌব্রু হায়রিবসি চীংগী মমিংনি। লাইনিংথৌগী অশেঙবা মিংদি কৌরেংঙং কৌই।”

মণিপুরীশিংগী নাৎতা লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী মফম চাওনা লৈ। তাইবং মীওইবগী হৌফমসি কৌব্রুদগীনি লোইবসু মহাক্কী মফমদা লোইগদবনি থাজনৈ। মালেম লৈশেম নোংশেম্লবা মতুংদা তাইবংপানবদা পাংথোক্কবা শিন্থা কয়াবু খঙহন্নবগীদমক কৌব্রুগী চীংমাইথেন্দা খোইয়ূম লাইয়াম ৱাতান্নদুনা, অহানবা লাইয়াম হোই লাওদুনা লাই হরাউবা হৌখি। মখা শমথরক্তুনা ঙসি ফাওবা লাইহরাউবা অসি মণিপুরীশিংনা খুনতাবা তম্পাক্কী মফমশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্করি। লাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি য়ুম্বাল্লোন, শিন্নাইলোল, খুন্নাইলোন, পূন্সিরোল তমজবনি। ইপা- ইপুশিংবু নীংশিংজদুনা মখোয়না থন্বিরম্বা নাৎকী মশকশিংবু, মৈনা ৱায় তাংনা শম, চারোল শুরোল ফাওবা লেঙদনা খঙহৌ-লৈহৌনবা পাংথোকপা থৌরম্নি। অৰাংবা ৱাংঙুরোল, ফিদ্দমনফম শুনবা য়াওবা পরম অমনি। তম্পাক্কী লমদা খুন্দারিবশিং, লাইনিংথৌ কৌব্রুবু হেন্না চেৎনা থাগোন্নরিবশিংগী মনুংদা সেকমাই ফয়েং অসি অমনি। ফয়েং অমদি সেকমাইদা নাৎকী থৌরমশিংদা লাইনিংথৌ কৌব্রুদি খ্বাইদগী মরুওইবা খুলগী লাইনি।

লাই হরাউবা থৌরম অসি অহানবা লাইয়াম্না কৌব্রুগী থেলদা হৌদোকখ্রবা মতুংদা নোংপোক্তা খাবা কাংবুনা পান্থৈহৈবীবু খুবম য়াদুনা লাৎখিবদগী হরাউবা মখা চৎথখি মথংদা তাইবংপানবদা মীয়াম্না মখা শমথরক্তুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোরকপগী ৱাফম লৈরি। হরাউবসু মখল য়াম্মি। হরাউবশিংগী মান্নদবা কয়া লৈ। কংলৈ হরাওবগী লাইবৌ চোংবদা মাইকৈমরি জগোয় খুৎথেক কৎপদা, থাং লৈতেং জগোয় কৎপদা, মৈ কৎপদা অমদি করিগুম্বা খুদোল অমা তম্বদা লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মাইকৈদা ওন্দুনা কৎলি, মহাক্কী শরুক তম্মী। মাগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মসিনা তাকপদি হৌরকফম ওইরিবা, মাবু নীংশিংজবনি, মাঙোন্দা কৎচবনি। মহাক্ক থানবা য়াদে হায়বদু উৎপনি। লাইনিংথৌগা তেংবানবগা লৈনরিবা মরি অদুথাদোকপা য়াদে হায়বসি মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লাইহরাউবা থৌরম্না খঙহল্লি তাকপীরি। তাইবং মীওইবনা শিন্থা য়ান্বনা অতৈমতমদা নীংশিংদ্রবসু কুম অমগী অমুক্তং পাংথোকপা হরাউবগী থৌরমদদি মহাকপু শোইদনা নীংশিংলি। চহী খূদিংগী মহাক্কী মফমদা চৎতুনা ‘কৌব্রু কাবা’ হায়দুনা খুরম্বা চৎনরি। হৈকৎ-লৈকৎ তম্নরি। মসিনা ঐখোয়গী নাৎকী মশক অমা তাকপদা অচৌবা থৌদাং অমা য়ারক্লি লাইহরাউবা হায়বসি খুন্নাইসিনা লৈরিখৈ মুৎলরোইদবনি অমদি মসিনা লৈরিমখৈ নাৎকী মশক অসিসু ময়েক শেংনা লৈখিগনি।

সেকমাইদা, কুম অমগী লৌতাবা থৌরম পোইনু নৎত্রগা ফাইরেল থাদা পাংথোকই। ফৌ মরাং কায়না ফংনবা, চাথোক লৈনবা ইবুধৌ কৌব্রুগী মফমদা চেংলৈ, য়েরুম্নচিংবা য়াওনা লৌবুক্কী মফম অমদা কৌব্রু মাইকৈ ওন্না কৎতুনা থৌনিজৈ। লৌতাবা লোইখ্রবা মতুংদা অমুক কুমগী চৈরাওবা মতুং অফবা নুমিৎ অমা য়েংদুনা কৌব্রু লাইশঙ হাংলগা হৈরাং লৈরাং, অথেনপোৎ কৎলি। মসিবু সেকমাইনা ‘ফৌদি তাবা’ হায়না খঙনৈ। মতুং তারকপদা ‘লাংবন কাবা’ হায়দুনা কৌব্রুলাইশঙদা খুরুম্বগী থৌরম পাংথোকই। ‘লাংবন কাবা’ থৌরম লোইরবদি লৌ খাওনবা থৌরাং তৌনরে। লৌ খাওরগা ফৌ কাররক্লবদা ফৌগী লাইরেম্বীনি হায়নরিবা ফৌওইবী লাইরেম্বী খুরুম্নদে। লাইনিংথৌ কৌব্রু ওইনা খুরুম্বগী চৎনবী সেকমাইদা পাঙথোকই। কৌব্রু অসি, অৰাং সেকমাইগী অশেঙবা লাই নত্তে। হৌজিক, অৰাং সেকমাইনা খুন্দারিবা মফম অসি অঙনবা মতমদা ‘য়ারৈ’ কৌবা কাঙলুপ অমা খুন্দারম্মী। মখোয়না হান্না কৌব্রুবু য়াম্না লুবা লাইনি হায়না নীংলম্মী। ‘য়ারৈ’ কাঙলুপ অসিনা খুল থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা কোন্না খুন্দারকপা সেকমাইশিংদা অরুবা লাইনি তাকপীরম্বগা লোয়ননা কৌব্রুগী ইরাৎপদা তৌগদবা মথৌ মঙমশিং শিন্নবীরম্মী। অসুম্না সেকমাইশিংনা ঙসি ফাওবা নাৎকী চৎনবী অমা ওইনা থৌরম কয়াদা লাইনিংথৌ কৌব্রুবু য়াম্না মরুওইবা অমদি অরুবা লাইনি হায়না নীংনরি। লাইনিংথৌ কৌব্রুদা লংজরুরবদি অৰা-অনা তাগনি হায়না থাজনবীসু লৈরি। অতোপ্পা সেকমাইগী থাজনবী অমদা কনাগুম্বা সেকমাইগী মী অমা শিরবদি মহাক্কী থৰায় মিরেল অদু মাইবনা লাইশোল-তিনশোল তৌদুনা অৰাংবা চীংদা লৈরিবা লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী মফমদা থিনগৎনৈ। কনাগুম্বনা কৌব্রুগী লাইফমদা নৎত্রগা কৌব্রু লৈখা তান্না চৎতুনা থিনগৎনৈ। থিনগৎপা মতমদা শোনবা কৌব্রুগী মিঙ্খৈদি-

‘অৰাং কৌবা কোনদা ইকোয় কোইশিনবা মফম অমা লৈ। ঈশিংকোন অদুদা ঙানু খরা চাকতারি, তিংই লাবা য়াওহল্লি সনা থম্বাল শাৎলি, লুপা থম্বাল শাৎলি। সনাগী থম্বাল য়েৎনা পায়, লুপাগী থম্বাল ওইনা পায়। অৰাং কৌবগী চীংশাং অদুদা শঙ্গাই য়ুম্ফম লৈবনি, শঙ্গায় য়ুম্ফম অদুদা নুঙগী কাংথোল লৈবনি। নুঙগী কাংথোল অদুগী নোংপোক থংবদা নুঙগী শুক, শুম্বল য়াঙ্কোক লৈবনি। নোংচুপ থংবদা নোংখ্রৈ কোকঙা চরিক হৌরিবনি। খা থংবদা সনা খোংনাং মথক্তা কৌব্রু অপোকপা লৈবনে সোরারেনগী মফম্নে...।’

উমংলাই মাপনগী ফমলুপ খায়বদা চোঙ খানবা হঞ্জবদি কৌবরেন্নে হায়না ফমলোন লাইরিক্তা কৌব্রুগী ফম মশক তাক্লি। কৌব্রু অসি তম্পাক্কী থবক থৌরম, লাইনিং-লাইশোলদা য়াম্না মরুওইবা ওইরি। য়ূমজাও শাবদা কৌব্রুদা হৌবা ৱা হায়ুখোক্লা চাত্রা (যাত্রা) ওইগনি হায়না মাইবগী লাইসোল লাইরিক্তা ইরি।

মণিপুরী ফোকলোরদা চৎনবী থাজনবী অমা ওইনা লাইনিংথৌ কৌব্রুগী ৱাফম কয়া লৈ। নুপীনা মাইরেল খায়বা য়াদে হায়বা ঐখোয়গী থাজনবী অমা চিনবুংদা লৈরি। মসিমক লাইনিংথৌ কৌব্রুগী হরাওথেলদা লাইয়াম্না হরাওবগী থাংজিংনা পেনা খোংবদা পেনাগী মখোল তাবদা চাজেনবী নুপী অমনা য়েনশাং শেমগে তৌরম্বা কাওথোকখিবগী থৌদোক লৈখি। মমাগী তম্পাক্তা খোল্লাং ইল্লম্বা মচাবুসু পেনা ঈশৈ তারকপদা কাওথোকখিদুনা মচানা তম্পাক্তগী কুমথখিবা, যন শাদুনা চৎথোকখিববু য়েন্সাং শেমগে তৌরম্বা মাইরেল অদু চৎথোকখিবনি খন্দুনা পেনাগী মখোলদা লুপখিদুনা মচাদুবু চিংশিল্লগা মাইরেল ওইরবোই নীংদুনা থাংনা খায়দোকখি। মসিদগী নুপীনা মাইরেল খায়বা য়াদে হায়নখিবগী থাজনবী চিনবুং ৱারী লৈখি। অতোপ্পা থাজনবী অমনা, কৌব্রু অসি কুমতম্বা মাইকৈ ঙাকপা লাইনি। কৌব্রুনা কুম তম্লবদি নোং মরাঙ কায়না তাই। লাইজ ঈশিং মরাঙ কায়, ঈশিং-ইচাও থোক্কল্লি।

অদুঙৈ লৈশেমঙৈদা নুংশিৎলম লৈঙাকহনখিবা ‘য়ুহা’ কৌবা লাই মাহাক্কী মহুৎশিনবা মাইকৈ ঙাকপা লাই অমা ওইরিবা লাইনিংথৌ কৌব্রুবু শজিবু চৈরাউবগী, লমতা থাংজাগী, উমং লাই হরাউবদা শরোয় খাঙবগী থৌরমশিংদা ঈরাৎ থৌরম তৌনৈ। লাইনিংথৌ কৌব্রুগী তুংইনবা শারোই হুম্ফুমাথোই লৈ। লাইনিংথৌ অসি উমংলাই ওইনসু খুবম য়াদুনা হরাউনৈ। নমু তাইবঙমীনা পুন্সিগী খোইরেল লাক্লবদা য়াইবী থৰায়না কৌব্রু মাগী লৈফমদা মিহুল থাহুল পূন্নমক্কা লোয়ননা থৰায় মঙামক্লা উনরবা মতুংদা তাইবং হকচাং থাদোকখি হায়না অৰাংবা ৱাংঙুরোল অমসু নুংদা লোয়নদুনা চেল্লি।

মণিপুরী খোরিরোলদা লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মফমঃ

মণিপ্পিুরী খোরিরোল হায়রিবসি অইবা ওইনা কৌব্রুগী মরমদা ৱারোল, শৈথাবা ইরম্বা ৱারোলশিং ওইগনি। মপুংদা লাইনিংথৌ অসি মৈহৌরোলদগী লোয়নরক্লবা ওইবনা লৈশেম-নোংশেমলকপগা মরি লৈনবা লাইরিক-লাইশুংশিংদনা অয়াম্বা ইরম্বা থেংনৈ। মসিগী মনুংদা লাই হরাউবা অসি য়াম্না মরুওই। লাই হরাউবা অসি লাইয়াম্না অহানবদা কৌব্রুগী হরাউথেলদা হারাউবা হৌখিবগী ৱাফম মথক্তা পঞ্জখ্রে, মথংদা লংমাইদা নোংপোক নহা-পান্থৈহৈবী অনীনা মখা তানা হরাউখি। তাইবংগী চাদা নাওদাশিংনা লাইয়াম্না পাংথোকখিবা থৌরমবু নীংশিংনবা মখা তারকপদা কংলৈদা হরাউখি। লাইহরাউবগী মখল কয়া মখা তানা লৈখ্রবসু, উমং লাই হরাউবা থৌরম অয়াম্বদা লাইনিংথৌ কৌব্রবুদি অদুমক মফম খূদিংদা শরুক-শোন্নরি। কংলৈ হরাউবগী ফুঙ্গারেল জগোয় শাবদা শরুবা অইবা ওইনা লৈরবা খুরুম শৈথা ঈশৈ অমতং খোরিরোলগা মরি লৈননা পঞ্জরবদাঃ

> “নহাললে ইয়া তাইবং মালংপান
> শনরিক মপান থারিবা
> অৰাং কৌব্রু অসুপ্পা
> য়োইময়াই খুন্দা অহানবা
> চিংউ নংবু হন্না হন্না পুনেমজরিয়ে...।”

কৌব্রু কনানো মশক তাকপদা ‘চীংলোন লাইহুই’ অমদি ‘নুংলোন পুয়া’ লাইরিক্তা অসুম্না পল্লি- ‘কৌব্রু চীংদোন্দা কৌব্রু লৈবনে, মনাক্তা ইকোম অমা লৈ, সঙ্গাই য়ুম্ফম লৈব, নুঙ্গী কাংথোল, শুক, শুম্বল, য়াঙ্কোক লৈ। ইকোম মপান্দা খোংনাং অমা হৌবনে, নোংচুপ লমদা নোংথৌ কোংঙাগী চাকলীক মপান হৌবনে..নোংপোকলোমদা মতোন তূম্বা অদুদি সোরারেলগী খুভমনে। মতোন্দা ঈশিং থোকপনে। কৌব্রুগী মমিংদি মীহিংলেন মীপোকপা কৌএ।

মহাক্তী অৰাংবা মফমদা লৈ হায়বগী মহাক্কী খুবমবু কৌব্রু চীং হায়না লৈরি। কৌব্রু চীংগী মরমদা অসুম্না অরিবা লাইরিক্তা শৈথারি,

‘ইবুংঙো মাগী লৈফম, লাইফমলেল, কৌব্রুগী চিঙ্, অহানবা চিঙ, মল্লিঙৈদো শেন্বা চিঙ্, থৰাই পানবা পূন্নমকপু খুন্দাহনবা চিঙ, মল্লিঙৈদো সেন্বা চিঙ, লিক্লা তাবা চিঙ্, অহিং লিক্লা তক্তবা মফম, নুংথিল লিক্লা কংদবা মফম, নোংদোন পকন ৱাংবা চিঙ, চিঙগী নাপোম য়াম্বা চিঙ, মতিক মঙান লৈন ৱাংবা চিঙ, লোক য়াম্বা কৌব্রুগী চিঙ নাপোম অমদি অকনবা নুংশিৎকী হৌফম্নে, চিঙমাই অমদি ময়ায় নুঙ থোকফম্নে, চিঙমাই অমদি অফবা উজাও হৌবা মফম্নে, লোক অমদি মতিক লৈবা লাইরেল অচৌবা পোকফমনে, চিঙগী নাপোম চিঙমাই অমনা চারিক হৌবা, নোংথৈ থোকপা চিঙনে, চিঙ অদুগী লোক অমনা অচৌবা ময়া পানবা সামু পোকফম্নে। কৌব্রু চিঙগী চিঙসা নাপোম অমদি লিক অসংবা অঙাঙবা থোকপা মফম্নে, চিঙসা নাপোম অমদি কৈ অচৌবা, কান্বা কৈনিংথৌনচিংবা পোকফমনে কৌব্রু চিঙ অসি মথোন তরেৎ ৱাংবা, ওক্ল কাবা ঙমদবা যন শঙ্গুনা য়ৌবা ঙমদবা মফমি, নুংশিৎ অকনবনা য়ৌবা ঙমদবা, তুরেলগী হৌফম ওইবা, চারিকপান্বি থাবা, নোংথৈ হৌহনবা, থা তরুকঈশিং পীবা থাতরুকঈশিং লীদুনা থম্বা... অসিনচিংবা কয়া শৈথাদুনা লৈরি।

লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মরমদা শৈথাবা, লম্মীৎলোন য়াওবা কৌব্রু চীঙ্গৈইরেলনচিংবা মণিপুরী খোরিরোলগী মরুওইবা লাইরিক অমদি অতৈ লাইশোল তিনশোলগা মরি লৈনবা লাইরিকশিং লৈরি। অইবা ওইনা খুৎইদা লৈবা অমদি ফোঙদোক্লবা লাইরিক অসিদা নৎতবা চিনবুংদা ঈশৈ ওইনা শরুবা কয়া অমসু লৈরি। লাইরিকশিং অসিনা মরুওইনা তাক্লিবা অমদি নৈনরিবশিং অসি মৈহৌরোলগা মরি লৈবা, নাৎকী মশক নীংথিনা তাকপা ঙাক্তনি। মণিপুরীশিং অসিগী হৌরকফম, খুন্দারোল লাইরিকশিং অসিদগী ফঙলিবা অসিনা ঙসিগী মীরোলদা পোকপদগী শিবা ফাওবদা চৎনদুনা লৈরিবা কয়া অসি উহনবা ঙম্লি। নুং অমদি পানগী মশক তাক্লিবা ৱাহন্থোক অনী লৈবা লাইনিংথৌ কৌব্রুগী ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী জাতি অসিগী চাউখৎলকপগী মশক তাক্লি। থৰায়না হিগারকপদা, মিকোন থাকোনবদসু অসুম্না শৈশক্লরিঃ

> হে থৰায় মঙামক মিগা থানা তরুকমক
> থৰায় হামচৎনফরোই, মিরেল হাম্ফৈইনফরোই
> থৰায় নঙবু কোল্লগে, থৰায় ঐনা য়ানিং-এ
> অৰাং কৌব্রু চীংদোলদা
> পুখ্রি চাইগোই মনুংদা
> সনাগী থম্বাল শাৎলি এ
> লুপাগী থম্বাল শাৎলি এ
> সনাগী থম্বাল য়েৎনা হেক
> লুপাগী থম্বাল ওইনা হেক
> কুরুগী সনা খুয়া খাদা কৎলক্লে।

-মাখোনমনি মোংসাবা

[illegible]/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল পাবা, খুং হায়ৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরগুনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেং হন্থরক্লনি। ফম্বী চাং হন্থ্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্লনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্লনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোস্পা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুকনুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুম্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3974/28/6-28/7

[illegible] **DUTTA CLINIC** [illegible]

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোম্থরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্বানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোস্পা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাংপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবদা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৰাবা অদু কোক্কনি।

[illegible]
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3917/05/7-4/8

CROSSWORD-2488



ACROSS

- 1 Rendering assistance (7)
- 5 Not loud (5)
- 8 Skinflint (5)
- 9 North African country (7)
- 10 White-ant (7)
- 11 Slack (5)
- 12 Removal of abuses (6)
- 14 Money chest (6)
- 18 Pays a visit (5)
- 20 French holiday area (7)
- 22 Game with hoops and mallets (7)
- 23 Hatred (5)
- 24 Minor actor in crowd scenes (5)
- 25 Esteem (7)

DOWN

- 1 Pet rodent (7)
- 2 Defeated contestant (5)
- 3 One who shoes horses (7)
- 4 Tightly clinging shellfish (6)
- 5 Ethical (5)
- 6 Rebuke (4,3)
- 7 Idle bee (5)
- 13 Quarrel (4,3)
- 15 Easily perceived or understood (7)
- 16 Let in again (7)
- 17 Public speaker (6)
- 18 Hidden store (5)
- 19 Finnish-style steam bath (5)
- 21 Chosen few (5)

Solution 2487



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2287

	1	4	9	5				6
7		5		8			9	
		3		6	1			
	7	9	1					
					9	2	1	
			7	9		5		
	8			3		9		4
9				1	5	6	8	

Solution-2286

4	5	6	8	9	7	2	1	3
7	9	8	2	1	3	6	5	4
1	2	3	6	5	4	8	7	9
9	4	5	1	2	8	3	6	7
8	3	7	4	6	5	1	9	2
2	6	1	7	3	9	5	4	8
3	1	4	5	7	2	9	8	6
6	8	2	9	4	1	7	3	5
5	7	9	3	8	6	4	2	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংৱাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ৩০-০৭-২০১৭, নোংমাইজিং, থৰানগী ৭নি পানবা, অয়ুক্কী পূং ০৮.৩৪ দগী ৮নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি কৌব্রু, অয়ুক্কী পূং ০৮.৩৪ দগী চিংখৈ।

মেষ : অনৌবা মরুপ লাকপা, নুংনাংবা, অকাওবা পীবা মতাংনি, ৱাখল লাংবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথীবা, শাওনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।



বৃষ ঃ মীনা চানবীবা, শাওনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাওখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুখবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা, খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।



মিথুন ঃ য়েক্লবা য়াম্বা ওইরি, লোয়নবা মখা থাবগা শাওনবা, নিংজবা থুংবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।



কর্কট ঃ লন চঙবা, ইচিল ইনাওদগী মুক্কবা পীরকপা, মরুপ্পা য়েক্লবা ওইবা লৈ।
লল্লোল ঃ হিদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পুক্লিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চাচন্দন।



সিংহ ঃ মীনা পাঙথোকপা, নংশিবা ৱাৎপা, তৈবীমল ৱাৎপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুকতনা অমা ঙাংথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।



কন্যাঃ মীগী মতে তৌবা, নুংঙাইতবা পাউ লাকপা, মীনা শন-মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লল্লোল ঃ চাওখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।



তুলাঃ থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, ৱাথোক ওইবা লৈ, পুক্লিং তপথবীয়ু।
লল্লোল ঃ হীদান্নবা লৈগনি, পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্লিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।



বৃশ্চিক ঃ মীৱা মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্না লৈগনি।
লল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মিৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাংবা, লৈ অঙাংবা।



ধনু ঃ শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ূমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী পোৎথোক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায় মিৎ নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।



মকর ঃ নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ইকাইবা নংবা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাওনবা, ৱাখল খেন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কুম্ভ ঃ অৰা-নুংঙাই য়ান্নগনি, মীনা পাউথোকপা, অরংবা পোৎ, লৌরি য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।

মিন ঃ শাওহনবা লৈ, খল্লম্বা ৱাখল ওন্না-তৈনবা লাকপা, অয়েৎপা লাকপা, পৈশা চৎপা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ অপোম-অতৎ, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাংবা, লৈ অঙাংবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী
২। “কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈম্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।” পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রব্বনো?
৩। “ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিশ্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।” পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?
৪। কর্টার সিং দুঙ্গলগী ৱারীমচাশিংবু ‘থাবলগী চৈনা’ হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। ‘শক্লোনশিংগী শক্তম’ কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

ICSIL RECRUITMENT – INTELLIGENT COMMUNICATION SYSTEMS INDIA LIMITED – 861 NURSING ORDERLIES, SWEEPER-CUM-CHOWKIDAAR, SANITATION WORKERS VACANCY – LAST DATE 10 AUGUST 2017

ICSIL Recruitment 2017

Intelligent Communication Systems India Limited (ICSIL) invites Application for the post of 861 Nursing Orderlies, Sweeper-cum-Chowkidaar (SCC), Sanitation Workers on Contract Basis. Apply before 10 August 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

ICSIL Job Details :

Post Name : Nursing Orderlies
No. of Vacancy : 264 Posts
Pay Scale : Rs. 11716/- (Per Month)

Post Name : Sweeper-cum-Chowkidaar (SCC)
No. of Vacancy : 516 Posts
Pay Scale : Rs. 11716/- (Per Month)

Post Name : Sanitation Workers
No. of Vacancy : 81 Posts
Pay Scale : Rs. 11716/- (Per Month)

Eligibility Criteria for ICSIL Recruitment :

Educational Qualification : 8th Passed OR Illiterate.

Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 55 years

Job Location : New Delhi

ICSIL Selection Process : Selection will be based of experience.

Application Fee : There is no application fee.

How to Apply ICSIL Vacancy : Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send to Intelligent Communication Systems India Limited (ICSIL), Administrative Building, 1st Floor, Above Post Office, Okhla Industrial Estate, Phase- III, New Delhi-110020 on or before 10.08.2017.

Important Dates to Remember :

Last Date for Submission of Application form : 10.08.2017

Important Links :

Detail Advertisement Link : *http://icsil.in/wp-content/uploads/2017/07/HEALTH-STAFF-21.07.2017.pdf*

Download Application form : *http://icsil.in/wp-content/uploads/2017/07/Application-PDF-Form1.pdf*

Android App Link : *Sarkari Naukri App*